**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-09.2024)**

**দেফট (এল)ঃ** নেসনেল হেলথ মিসনগী নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ দেফটনেস (এন.পি.পি.সি.দি) না হেলথ সার্ভিসেসকা খুৎশমদুনা ঙসি ইন্টরনেসনেল ৱিক ওফ দেফট পিপল ২০২৪ ঙসিদগী হৌদোকখ্রে। হোটেল ক্লাসিক গান্দেদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু সাইন অপ ওফ সাইন লেঙ্গোইজ রাইটস হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরমদুদা শরুক য়ারদুনা হকশেল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জননা হায়-পাউ ফাওনবা ৱাৎপা অমদি লান্না লৌনবদগী মালেমগী মফম কয়াদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্লকইবনি। মরম অদুনা, পাউ ফাওনবা ৱাৎপা হায়বসি য়ারিবমখৈ থোকহল্লোইদবনি। না তাদ্রবশিংগা পাউ ফাওননবগীদমক ঐখোয়সু সাইন লেঙ্গোইজ খঙজিনবা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা এন.পি.পি.সি.দিগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার-ডা: মুতুম বিভেক্সননা হায়-আই.সি.এম.আরনা ইং ২০২০ ফাওবদা ফোংখিবা ষ্টদি অমগী মতুং ইন্না ভারতকী অপুনবা মশিং চাদা ৯.৯ দি নাবা তাদবা মীওইশিং ওইরি। মসিগী মনুংদা চাদা ৫১.২ দি চহি ৬০ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংনি।

মনিপুরগী ওইনা মমাং চহিগী এপ্রিল থাদগী চৎলিবা চহি অসিগী আগষ্ট থা ফাওবদা না তাদবগী খুদোংচাদবা লৈবা মীওই লিশিং ৩,৯০০ খঙদোকপা ঙমখি। এন.পি.পি.সি.দিনা না তাদবগী ফিভম ওইহল্লকপা য়াবশিং ঙাকথোকহৌনবা অমদি না তাদ্রবশিংবু রিহেবিলিটেসন তৌনবগী থৌরাং কয়া পায়খৎপগী মনুং চন্না ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরমদুদা সোসিএল ৱেলফিয়ারগী দাইরেক্তর-ঙাঙোম উতম অমদি অতৈ মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর এসোসিয়েসন ওফ দেফট এন্দ ম্যুটনা শিন্দুনা

ইন্তরনেসনেল ডে ওফ সাইন লেঙ্গুএজ পাঙথোকখি। মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গো, বিভাগ অসিগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর এল. ধনেশ্বর শরুক য়াখি।

**স্বার্চতা-হি সেভা (এল)ঃ** স্বার্চতা হি সেভা ২০২৪ কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেল অমসুং ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল চান্দেলনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা মহৈরোইশিংগী পেন্টিং কম কুইজ কম্পিটিসন অমা ঙসি মন্ত্রিপন্থ্বা ভিলেজতা লৈবাক খুংফম জনিয়ার হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

কম্পিটিসন অদুদা মহৈরোই ১০০ হেনবনা শরুক য়াখি। তুংদা, মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি। থা অসিগী ১৭ তগী হৌদুনা মথং থাগী অনি ফাওবা চথগদবা কেম্পেইন অসি মপুং ফানবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্টেসন চান্দেল অমদি মসিগী মখাদা লৈরিবা বিভাগশিংনা মরি লৈনবা থবক কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি।

কুম্বী কলেজতসু স্বার্চতা হি-সেভগী শরুক অমা ওইনা ঙসি এন.এস.এস. য়ুনিট-কুম্বী কলেজনা শিনদুনা এক পের মা কে নাম হায়বা হীরমসিদা কলেজ অদুগী কেম্পসতা উ চারা থাখ্রে।

স্বার্চতা হি সেভা কেম্পেইন ঙসি থাংমৈবন্দ লাইরেনহনজবা লৈকাইদসু পাঙথোকখি। থৌরম অসি হোম এফিয়ার্স মন্ত্রালয়, সি.আর.পি.এফ. গ্রুপ সেন্টর-লাংজিং , লাইনিংথৌ মৈরা লুপ অমদি থাংমৈবন্দ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনা পুন্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থাংমৈবন্দ লাইজিং নিংথৌ গ্রাউন্দ, লাইজিং নিংথৌ য়ু.জে.পি. স্কুল গ্রাউন্দ অমসুং নাউথিংখোং পাখংবা গ্রাউন্দদা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই সাজোর লৈকাইদা লৈবা শ্রীশ্রী গৌরগোবিন্দ গালর্স কলেজতসু ঙসি এক পের মা কে নাম হায়বা হীরমদা লাইরৌ পুখ্রি

মপানদা উ চারা থাখ্রে। উ থাবগী থৌরম অসি কলেজ অসিগী ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স, বোটনি দিপার্টমেন্ট লোয়ননা ইকো ক্লব, এন.এস.এস. য়ুনিটকা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

**ওপরেসন (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি অয়ুক ককচিং জিলাগী মনুং চনবা লাইমানাই লাইমতোন চীং অমসুং লিতান কোম খুলগী মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চখ্লে। অয়ুক পুং ৫ দগী হৌদুনা চখিবা থিবা হুন্বা অদুদা মীওই ১২০ মশক খঙদোকখি। অদুমওইনমক, খুৎশু খুৎলায় অমদি মীফা মীপুনগী পাউদি লৈতে।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্টকী খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা হুইদ্রোম চিংয়াদা কম্যুনিতি হোল শানবা শেমজিন শাজিনবগী থবক তৌবদা অরিবা মতমগী বোম অমা থেংনবদগী লমলাই পুলিস ষ্টেসনদা পাউ পীরবা মতুং পুলিস লাক্কুনা লৌখৎলবা মতুং ঙসি পোকখায়হনখ্রে।

**এৱার্ড(এল)ঃ** নেসনেল ব্রেবরি এৱার্ড-২০২৪ কীদমক ইন্দিয়ান কাউন্সিল ফোর চাইল্ড ৱেলফিয়ার-ন্যু দিল্লিনা মমাং চহিগী জলাই অমদগীনা চহি অসিগী সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবদা মীওইবগী পুন্সি কনবদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌখিবা চহি তরুক্তগীনা ২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদগী দরখাষ্ট কৌরি।

মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিল ফোর চাইল্ড ৱেলফিয়ারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-এৱার্ড অসিগীদমক ফোর্ম কাউন্সিল অসিগী মোইরাংখেমদা লৈবা ওফিসতগী ফংগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতমনা মথং থাগী ১০ নি।

**ভেন(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-মনিপুর পুলিস অমসুং ত্রাফিক্কী ওথোরিতিশিংনা স্কুল ভেনশিং চেক তৌবগী থবক হৌরে। শেল খক্তগী খনদুনা অঙাংশিংবু ভেন নমশিনদুনা পুবা য়ারোই।

মুখ্য মন্ত্রিনা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়-পীক্লিবা মহৈরেমশিং মশিং হেন্না হাপচিনদুনা য়ামা চিননা মহৈরোইশিং পুরিবা স্কুল ভেনশিং লাইসেন্স ককপা হৌরগনি। সরকারনা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তুনা মহৈরোইশিং পুবীনবা মহাকা আপিল তৌরি।

স্কুল মহৈরোইশিং পুরিবা ভেনশিংদা মহৈরোইশিংগী শাফনবা অমসুং অশোয় অঙাম থোক্তনবা অককবা মহৈরোইশিং খক্তমক পুবিনবা স্কুল অমদি স্কুল ভেডিকল এসোসিয়েসনশিংদা ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পি-প্রমেস অরাম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-স্কুলগী মহৈরোইশিং পুথোক পুশিন তৌরিবা গাড়িশিংদা মহৈরোই মশিং কা হেন্না নমশিনদুনা পুবা তত্তনা থেংনরকপদগী খোঙথাং অসি পায়খৎলকপনি। হীরম অসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্ট কমিতি ওন রোড সেফতি (এস.সি.সি.আর.এস) নসু অকনবা মীৎয়েং থল্লক্লি।

এস.পিনা হায়-গাড়িগী কেপাসিতিদগী হেন্দোকা মহৈরোই হেন্না হাপচিনবদা এক্সিদেন্ট থোকপা অমদি হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা অশোক অপন নংবগী চাং ৱাংহল্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা স্কুল অমদি স্কুল ভেহিকল এসোসিয়েসনশিংনা ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট গভরমেন্ট ওফ মনিপুর বাইট মনিপুর গেজেট এক্সত্রা ওর্দিনারি নম্বর ৩৮৫ তা পীরিবা কাংলোনগী মতুং ইন্না অককবা মহৈরোইশিং খক্তমক পুনবা থবক পায়খৎনবসু খঙহনখ্রে। তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা পীক্লিবা মহৈরোইশিংবু অশোয় অঙাম থোক্তনবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্না হোৎনমীন্নবা চংই।

**উখ্রুল (এল)ঃ** ফুয়ার কেন্দ্রগী এম.এল.এ. লৈশিও কৈশিংনা হায়রি-মনিপুরদা লৈরিবা ত্রাইবেলশিংগী নাৎ-চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোলবু ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিগী খুৎথাংদা য়োকখৎনবা মনিপুর সরকারনা থবক কয়া পায়খৎলি।

উখ্রুলগী টি.বি.ঐচ. ৱান টৌইন্তি ফাইব হোলদা ঙসি মৈফুং প্রদক্সনগী ১০ শুবা কুমওন পালন থৌরমগা মরী লৈননা শরুক য়ারদুনা শ্রী কৈশিংনা হায়- মনিপুরদা ত্রাইবেল ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিশিংনা লোলগী ওইবা অচৌবা অৱাবা মায়োকৈ। অৱাবা ফিভম অসি মনিপুর সরকারনা পায়খৎলিবা খোঙথাং অমগী মনুং চন্না মনিপুর ফিল্ম দিবলপমেন্ট কোরপোরেসননা খরমখৈ কোকহন্নবা হোৎনরি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এম.এল.এ. রাম মুইভা অমদি অখঙ অহৈ কয়া শরুক য়াখি।

**তমেংলোং(এল)ঃ** তমেংলোং য়ুথ ওর্গনাইজেসনগী মখাদা কে.সি.সি, আর.দি.পি.এল. অমসুং জন্ধু কন্সত্রক্সন কম্পানি লোয়ননা ত্রক ওন্নরস এসোসিয়েসন-তমেংলোং ভিলেজ কাউন্সিল অমসুং তমেংলোং ভিলেজ ওথোরিতি, তমেংলোং ভিলেজ ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনগা পুন্না খুৎশমদুনা তমেংলোংদগীনা বরাক ফাওবগী কিলোমিটর তরুক শাংবা লম্বী শেমজিনবগী থবক হৌখিবা ইরাই নুমিৎতগী হৌখ্রে।

লম্বী অসি তমেংলোং জিলাগী তৌসেম সব দিভিজনদা লৈবা খুল ৫০ রোমগী তঙাইফদনা ফাওনবা লম্বীনি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং কন্না তাবদগী লম্বী অসি চৎথোক চৎশিন য়াদনা লৈরকপনি। অদুবু, মীয়ামা শেমজিনবদগী লম্বী অসি হৌজিক্তি অথুবা মতমদা চৎথোক চৎশিন য়ারগনি।

**পাকৱরা (এল)**ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং হেলথ এজেন্সিগা খুৎশমদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যতি কম্মিস্নারগী কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবনদা আয়ুসমান পাকৱরা ২০২৪ পালন ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা সরকারগী স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংগী ওইবা লাই য়েকপা চাংদমবা পাঙথোকখ্রে। মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখ্রে। তুংদা, আয়ুসমান কাকৱরাগী পাউজেল পুবা রেল্লি অমসু পাঙথোকখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** ওল জিরিবাম ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন লিংখৎখিবা চহি ২৪ শুরকপগী নুমিৎ পালন থৌরম জিলা অসিগী বাবুপারাদা লৈবা য়ুনিয়ন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন অসিগী লৈখিদ্রবশিং অমদি লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা কয়াগী মফমদা ইকায় খুমবা ওইনা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকখি। তুংদা, য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী ইগজ্কিটিব মেম্বরশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমখি।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী হৌজিক ওইরিবা লুরবা তানফম অসিদা পাউমীশিংনা লৌরিবা থৌদাং কয়াসু শিংথানখি।

**ঠিয়েটর(এল)ঃ** মনিপুরগী খ্বাইদগী লীরবা ঠিয়েটর কাংলুপশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা আরিয়ান ঠিয়েটর লিংখৎখিবগী চহি ৮৯ শুরকপগী নুমিৎ পালন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী ৱাহেংবম লৈকাই য়ুমজাউ লাইরেম্বী কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ঠিয়েটর অসিগী লৈখিদ্রবা আর্টিষ্টশিংদা ইকায় খুমবা উৎতুনা লৈ-শু কৎপনা মপুং ওইবা থৌরম ওইখি। তুংদা, অরিয়ান ঠিয়েটরগী অরিবা মেম্বরশিংদা খুদোলপোৎশিংসু পীখি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙসি নোনে জিলাগী তুপুলদা লৈবা গভরমেন্ট হায়স্কুলদা এসে কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখ্রে। মহৈরোইশিংগী হৈথোই শিংথোইবা অমদি লিটরেরি স্কিলশিং খঙদোকবগী পান্দমদা ঙসিগী কম্পিটিসন অদু পাঙথোকপনি। পুন্না মহৈরোই ৫০ না ঙসিগী চাংদমবা অদ্দা শরুক য়াখি। তুংদা, মকোক মথং তারবশিংদা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-২১ শুবা চহি চা অসি টেকে ালোজিগী লমদা খুমাং চাউশিনবা মতমনি। লোয়নননা মীওইবা খুন্নাইগীদমক

টেকোলোজি অমসুং গনতন্ত্রগী মরুওইবশিংগী মরক্তা মান্নবা খল থম্বা তঙাইফদে।

মেসেচুসেস ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি (এম.আই.টি), স্কুল ওফ ইঞ্জিনিয়ারিংগী মখাদা য়ু.এস. টেক কম্পানিশিংগী মকোক থোংবা মীওইশিংগা লোয়ননা ঙসি ন্যু য়োর্কতা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-গনতন্ত্র অমসুং টেকোলোজি অনি অসি খল মান্ননা থম্বা হায়বসি হৌজিক্কী মতম অসিদা খ্বাইদগী মরুওইবনি। গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমগী মরুওইবা কাঙলোনশিং য়াওদবা টেকোলোজিনা তংদু লৈতাদবা অমসুং শান্তি লৈতবা ফিভম ওইহল্লকই।

শ্রী মোদিনা হায়-মহাক্কী অহুমলকশুবা টার্ম অসিদা লৈবাক অসিবু মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ইকোনোমি ওইবা অহুমশুবা লৈবাক ওইহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। মহাকা হায়-ভারত সরকারনা সেমি কন্দক্টর ইন্দষ্ট্রিদা বিল্লিয়ন ১৫ হেনবগী শেনফম কায়থখ্রে অমসুং ইন্দষ্ট্রি অসিদা মালেমগী অতোপ্পা মফম কয়াদগীসু শেল থাদরকপা লৈ।

ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি মেন্যুফেকচরিং, সেমি কন্দক্টর, বাইওটেক অমদি গ্রীন টেকোলোজিগী লমদা ভারতকী ওইনা অহোংবা কয়া লাক্লিবা অসিগী মতাংদসু ফোংদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারত অসি হৈথোই শিংথোইবা লোয়ননা হীরম কয়াগী অচৌবা কৈথেল অমা ওইরিবনি অমসুং ঙসিগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা সি.ই.ওশিংনা লৈবাক অসিদা থাজবা কয়া থম্বগা লোয়ননা টেকোলোজিগী তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা শেল থাদুদুনা থবক পায়খৎপগী অপাম্বা ফোংদোরকপবুসু প্রধান মন্ত্রিনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**লাইতিংঃ** ছাতিসগরদা ঙসি বজ্র তাবদা অঙাং মরি য়াওনা মীওই ৮ লৈখিদ্রে। থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক রাজনন্দগাউ জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মুধিপর অমসুং

জোরাতরাই খুঙ্গং অনিগী লোন্নবা সোমনি এরিয়াদা থোকখিবনি।

অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ তৌবদগী মীওই খরা লম্বীগী নাকলদা হৌবা উপান্বী অমগী মনাক্তা লৈবা জিঙ্ঘনা কুপ্পা য়ুম অমদা নোং থুপলিঙৈদা বজ্র অদু তারকখিবনি। মদুদা মীওই নিপান অদ্ খুদক্তা লৈখিদবগা লোয়ননা অতৈ খরনা অশোক অপন নংখি। থৌদোক অসিগী পাউ তাবগা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেয়সনগী কাংবুশিং থৌদোক থোকফমদা চংশিনদুনা শোক্লবা মীওইশিং অদু রাজনন্দগাউ হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

**তিলহৌঃ** কেন্দ্র সরকারনা তিলহৌগী মমল ৱাংখৎলিবা অসি হন্থহন্নবা হোলসেল মার্কেটশিংদা তিলহৌশিং পীথবা হৌখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা কঞ্জুমর এফিয়ার্স বিভাগকী সেক্রেটরি-নিধি খারেনা হায়-হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা তিলহৌ মরাং কায়না স্তোক্তা লৈরি। লোয়ননা নোংজ্ থাগী মতমদা তিলহৌ থাবদা পোৎথোক মরাং কায়না ফংবা ঙম্মী। মহাকা হায়-সরকার অসিনা তিলহৌগী মমলদা কুপা য়েংশিল্লি অমসুং অথুবা মতমদা তিলহৌগী মমল হন্থরক্লগনি হায়না থাজবা পীখি।

শ্রী নিধিনা হায়-সরকারনা কৈথেলদা তিলহৌ কিলোগ্রাম অমদা লুপা ৩৫ দা হন্থবা মমলদা ফংহল্লি অমসুং লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদসু তিলহৌশিং হন্থবা মমল ফংহনবগী থবক চয়োল অসিদগী হৌরগনি।